HUEIYEN LANPAO

Friday, February 05, 2016, Imphal



# মণিপুরী খুন্নাইদা নুপীগী সমস্যা - দ্রামা

*(হান্নগী মথা চথজরকপা…)*

ঐনা খনগৎচরিবা লীলাশিং অসিগী নৈনবা ৱারোল মথং মথং ওইনা থমজরি।

**১) ইপোম অমগী ঈথক,** অইবা ঃ নীলধজ খুমন

**শল্লপ্পা ৱারী ঃ**

ইচম চম্বা, ইপ্তঙ-পঙজবা চাউবগী নুপী ইবেনী খুঙ্গং অমদা পোৎফম ফম্মী। মহাক্কী লুকমাই মহাক্কী মপুরোইবা চাউবনা নুমিৎ খুদিংগী থাংদোকপীরক্লগা থুলাংথাং কৌবীরক্লগা খুলংগী যণ শেনবা চৎলি। ইবেনী মহাক্কী নুপা চাউববু নুংশিজরবসু মহাক্কী পুন্সি মহিং অদুদি পামদ্রে। চাউবনা তুমনৌ নাকুপ্পীনা কুপ্পা যুম অমা শাবগী আশা তৌদুনা হোৎনরি। ইবেনীদি তুপ্পৌগী মহৎতা জিঙ্খনা কুপ্পা যুম পামই।

চাউবনা ইচম চম্বা হিংজবা পুন্সিদা নুংঙাইজবনি অদুগা ইবেনীনা চাউখৎপনা পুরক্লিবা পুন্সিগী মহাও ওইরবসু ফংজদুনা হিংবা পামজবনি। ইম্ফাল চৎলগা পৌশা তাহনা ইম্ফাল মচা শ্রীগোপালনা ইবেনীদা পাউতাক কয়া পী। ইবেনী ইম্ফাল চৎলগা পৌশা তাপ্লুগে লেপ্লে। মপুরোইবনা চাউবদা ইম্ফাল চৎসি হায়, চাউবনা যারমদে। ইবেনী ইম্ফাল চৎলগা কা অমা লৌরগা যু য়োনফম ফমদুনা পৌশা তানখি। মতমগী মতুং ইন্না ইবেনী ইচেতোম্বী যু য়োনবী হায়রগা ময়াম্না খঙদুনা মহাক্কী করবারগী ঈথক ইপোমদুদা নুপা কয়াগা অহিং কয়া লেনবনা মহাক্কী পুন্সিগী তৌফম থোক্লবা থোইদং অমগুম্লকখি। অশোমদা ইবেনীনা থাদোকপীরক্লরবা চাউবগী পুন্সি লৈখা তারকখি। খুলংগী যণ শেনবগী মথৌদা পুক্নিং চঙলত্তরে। মহাক্কী নুপী ইবেনীনা ফম্লগা পোৎফম অদো ইবেনীনা ফম্লম্মে, মহাক্কা য়াম্না পামজরম্লনি হায়না চাউবনা ফম্লম্মী। চাউবনা নীংথৌ নুংঙাইনা শেন্নবীরক্লবদা যণ মাঙবা য়াওরক্লম্মী। চাউবনা হুরাপ্লগা মহাক্কী নুপী ইম্ফালদা যু য়োনখিবি, ওইবা ইবেনী তারগা যণ য়োঙ্কেৎকখিবা ওইরমগনি হায়না চাউববু খুলংদুগী তাঙ্কেখি। চাউবগী পাউ খুদিংমক ইবেনীনা শ্রীগোপালদগী তারম্মী। ইবেনীনা খরা অহল ওইশিল্লকপগা লোয়ননা ফজরপ্লা শকফম মত্তেং তারকপদগীদি মাগী যু য়োনফম দুকান মী কয়া চঙলত্তরে। পোৎশিং ৱাংলে। মতমসিদা ইবেনী ৱাখল লাকখি - খুলংগী চিদাইদা পীরবা পোৎফম মচা অমখক মহাক্কী মপুরোইবনা নুংশিনা য়েংশিনবিদুনা লেনখিবী ইবেনীনা কাম লামজখিবা পুক্নিংগী পোৎফম অদুদি সহুরগী ঈরাং কারবা ঈথক্লা মঙোন্দা ময়াই কানা য়েশিল্লক্লবসু মহাক্কা খক ফংবা ঙমখিদে। ইবেনী মশাগী পুক্নিংবু মশক খঙজরকপা মতমসিদদি ইবেনী ওইনা লৈরমদ্রে, ইচেতোম্বী যু য়োনবী ওল্লমলে। হান্নগী ইবেনী ওইদ্রবা মহাক্কা চাউবগী মনাক্তা নঙাই নুপী অমনা ইবেনী হায়না লেপ্পুনবা খল্লকপদা শ্রীগোপালনা থিংখি। ইবেনী মাগী যু য়োনফম কা অদুদা মহাক্কী পুন্সিগী অর্থ থিরি।

এস থানিনলৈমা



ইবেনীনা জিজ্ঞনা কুপ্পা যুমদা লৈবা পাম্বা হায়বসি ঙসিদি চাউখৎলক্লিবা মতমগী শাফুসিনা পুরকপা মীওইবগী পুক্নিং ৱাখলদা তত্তনা য়েরিবা শাহুম অমনি। অইবনা হেনজিনা নংতুগা নুংঙাইবা পাঙথোক থোকহনবা অইবস্ক্কী ওইবা লীলা নত্তে। ক্রিয়েসনদি অইবগীনি অদুবু অইবনা শাগৎলক্লিবা কন্সেপ্ট অসি ঙসিগী সমাজসিদা লৈরিবা মীওইশিংগী ৱাখলগী পুক্নিংগী অমদি পুক্নিংনা লমজিদুনা ওইরক্লিবা সিচুয়েসনগী মশক য়াওবা থৌদোক ৱাথোক ঙাক্তনি। পুন্সিদা খজিত্তং নুংঙাইনা হিংনবা হোৎনবদা অঙম্বা থৌনা লিংজেল কয়া পুথোক্তুনা শীজিন্নবা হায়বসে মীওইবগী মচৎনি। ইবেনীনা ইম্ফাল চৎলগা পৌশা তাননিংবা - মতমসিদা মীওইশিংদা চেনবা ৱাখলনি। ইম্ফালদা লাক্লে, যু য়োনফম অমা ফঙ্গে। যু য়োনফমদা ইবেনীগী শঙ্ক ওইগদৌরিবা অসি নুপাশত্তনি। যু থকপা নুপাশিংগা অযুক, নুংথিল, নুমিদাং খাত্তনা লোইননবদা থৌগংনা খল্লবদা য়াম্না মশানা থীংগে খল্লবদু মীনা ইনশিল্লবা ইবেনীগী পুন্সিগী নকশিংনা লোইনরকপা তাবনি। মসি ওইরক্লিবা অসি মাগী শীনফম অদুননি। ইবেনীগী মহৎতা ইচেতোম্বী যু য়োনবী ওল্লবা মতুংদা চাউবনা লৈখা তাখিবগী পাউ তারগা ইবেনী চাউবগী মনাক চৎতুনা হান্না ওইরম্বা পুন্সি অদুদা হনজিনবা পামখি অদুবু সমাজনা অথীংবা পীরি-

“ইবেনী ঃ মাবু কনানা চঙজফম পীরমগদবা, কদাই তান্না চৎলমগবা। কদাইদনো ঐনা মাবু থিরুগদবসিবো?

শ্রীগোপাল ঃ করিগী থিগনি, থিরনু। য়েংলবরা নঙগী পুন্সিদু অমুক্তং হন্দুনা। নঙগী খুইজিল্লবা মায়থোংদুদা করি মখী মসি তারি। কাথুসিদা নহাক অহিং কয়া কনাগা য়ারকমিন্নখি।

ইবেনী ঃ য়ারক্লমিন্নখিবা। ইচেতোম্বী যু য়োনবী ঐগী মরুপ ঙাক্তা ওইখিবা।

শ্রীগোপাল ঃ চৎপ্রসনু, খল্লুরবনু পুন্সিদা। ডৌরবা পুন্সিদুদা করিগী অমুবা দাগ লৈহল্লুগনি। খল্লু হন্দক মপোকসিমগীদি মহাক লৈত্রে।”

মফমসিদা শ্রীগোপালগী ৱাহৈ অসি ঐখোয়গী সমাজসিনা পীথোরকপা ভোইস অদুনি। ইবেনীনা খুঙ্গংদা হন্দুনা চাউবগা লৈমিন্নরকপা মতমদা চাউদি ইবেনীবু নুংশিজনবা মরম ওইদুনা করিসু হায়জরক্তবা য়াই অদুবু খুঙ্গংদুগী মীওইশিংনদি ইবেনী চঙখিবদা ইবেনীবু যু য়োনবীনি, ওক্তবীনি হায়দুনা তমখিনা ইচ্ছেশাকপিরকনি। নীলধজ খুমনগী ‘ইপোম অমগী ঈথক’ হায়বা লীলা অসিদা য়েক্লিবা ইবেনীগী করেক্টর অসি শাগৎলকপদা মোর্দান সেন্সিব্লিটি য়াওজে। পঙচা চারগা পঙলেন লেনবা পুন্সি অদু ওইনিংদনবা মরম ওইদুনা ইবেনী শেল তানবা থোকখিবনি। অদুবু মহাক্কা খোঙ থাংদুনা চৎলিবা মফমসিদা, মতমসিনা মহাক্কী পুন্সিবু লৈখা তাহল্লকপা যাই হায়রগা ৱাখল অদুদি মহাক্কা লাম্না ফংখিদে। নুপী অদুগী আইদেন্টিটি মাওখিদুনা ইচেতোম্বী যু য়োনবীগী মিংথোলোনসিদা লোয়ননা হৌখিবা পুন্সিগী শরুক্কা তাইশিনবা য়াহ্রবা পোফম অমদা অসুন্না তারক্লে, পোফম অসিনা ইবেনীবু মথোং খঙদ্রবা কল্লবা ঈরৈ অমনা হুন্নত্তুনা পুন্সিবু চাইখাইরক্লনি হায়বসিদি ইবেনীনা খনখিদে। ইবেনী চমজরবা চাউববু কয়ারক হায়না নীংশিংলকখিদে। মহাক্কী অরাবা পাউ অদুদা তাদুনা খাঙজদনা অদুবু উপাইদি লৈখিদে।

“ইবেনী ঃ অরোইবা ওইনা ঙসিসু নঙগী পাউতাক্তু লৌবা তারকই। ঐ ইবেনী নত্তে, যু য়োনবী ইচেতোম্বীনি। ঐ ইবেনী নত্তে।

শ্রীগোপাল ঃ শে মানা পীরম্বনি।

ইবেনী ঃ চমুগা, লেম্ফুগা। পায়বা য়াদে। খুঙ্গংগী লম্বী চিদাইদা ঐনা চাগদবা পোৎনি। অদুবু মহাক্লা হেকপীরকপনি। শ্রীগোপাল মানা ঐবু শোল্লক্তবরা? চমু অসি পীরকপা কান্দা কদাইদা থেংনরকই।”

ঙসি ইবেনীনা মহাক্কী নুপা চাউবগী মনাক্তা চঙবা ঙমখিদবা, ইবেনী লমচৎ লুদবী অমনি হায়না হায়রিবা অসি ঐখোয়গী সোসাইটিগী সিস্টেম অসিগী নাপচৈ অসিনা ওল্লগা হায়বনি। ঐখোয়গী সমাজগী মিৎয়েং পনখৈ মনুংসিদা মতম্না পুরকপা ৱাখলনা লমজিং ওইদুনা মশাদা অনুতাপ লাকহল্লদুনা মশাবু অৱাবগী মৈরক্তা হুনজিনবা মখলগী সমস্যানি। মোর্দন ওইরবা সমাজ অমদা হিংলিবা নুপী অমগী থম্মোয়নুংদা হুপ্লিবা মীহুল, লৈরিবা সেন্টিমেন্ট অদুদি মার্দন ওইরমদ্রবা নুপী অমগী ট্রেজিদিনি “ইপোম অমগী ঈথক”। মসি য়াম্না কন্টেম্পোরেরি ওইবা সিচুয়েসননি। ঙসিগী মীরোলনা অসিগুম্বা সিচুয়েসন অসি য়াম্না থেংনৈ। লীলা অসি মোর্দান সিচুয়েসন য়াওবা, লোজিকেল সরকম্স্টেন্সেস কয়ানা কন্দিসন তৌরবা নুপীগী থম্মোয়গী পোফম য়াওবা অমদি মনুংগী অমদি মপানগী সমস্যা য়াওরবা মোর্দান কন্টেম্পোরেরি ওইবা প্লে অমনি। ইবেনীনা নুপা অমা ওইরম্বা তারবদি মঙোন্দা লৈরিবা সমস্যা অসি লৈরমদবা য়াই।

**২. অশংবা নোংজাবী,** অইবী ঃ মহারাজকুমারী বীনোদিনী

**শল্লপ্পা ৱারোল ঃ**

লীলা অসিগী শল্লপ্পা ৱারীদি লাইরবা লায়েকপা গৌতম, ময়ায় ওইনা ইনাকখুনবা ইন্দুগা নুংশিনৈ। ইন্দুনা গৌতমগী পৌশাগী অচিনবা কয়াদা মত্তেও পাওই। গৌতম্মু থবক মচা অমত্তং ফংনবা কয়া হোৎনৈ। গৌতম থবক্কী ইন্টারভিয়ু য়াও হায়বা য়াখিদে। মহাক্লা লাইয়েকপদা ফংলকপা পৌশা খরা নৎত্রগা ইন্দুদগী মাগী অচিনবা মতমদা খরা হংবা মদুনা অদুমক পেল্লেকচৈ। গৌতম লাইয়েকপা অমা ওইনা পৌশা তানবা অদোমদসু মতম খরা য়াও। ইন্দুনা গৌতম্মু নুংশিজে, গৌতম্মু থম্মোয় য়ৌনা খনজে। ইন্দুনা মহাক্কী লাইয়েকপগী সোর্স ওফ ইন্সপিরেসন ইন্দুনা ওই। কৈন্যাতোম্বী লাইরবী পোৎফম ফম্বী নহা ওইরিবী নুপী অমনি। মহাক্লা গৌতম্মু লোয়া নুংশিজে। মহাকসু গৌতম্মু লোয়া মত্তেং পাওই। গৌতম্মা হোটেলদা চা থকপগী শেন্দো গৌতম খঙদনদবা কৈন্যাতোম্বীনা শিজে। অসুম্মা গৌতম্মু লাইরবী ওইনা নুংশিজে, ইনাকখুনবী লাইরিক হৈবী ইন্দুসু নুংশি। ইন্দু য়েক্লিবী ইন্দুগী মাম্মনা লাইরবা গৌতমদা মীৎ লৈহনবা পামদে। ইন্দুগী তুংগী পুন্সিগীদমক ইনাকখুনবা নুপা অমদা ইন্দুবু লুহোংবা পাম্মী। মাম্মনা ৱাফম অসি ইন্দুসু, গৌতমসু ফোঙদোকই। গৌতম ইন্দুবু তঙাইফদনা থাদোকপা তাখি, থাদোক্কে খনখি। ইন্দু মহাক্কী মাম্মনা হায়বা ইনদ্রগা নৎত্রগা হায়জবা লোনচৎনা ফিরেপ - অমা ওইনা পৌশা তাননা গৌতমগী মনাক চৎকদ্রবা? অনীগী মরক্তা হায়ফম খঙদনা ফুঙ্গনবা ফীভমদা লৈখি। গৌতমগী পুন্সিগী ফীভমদি ময়াম্না মিতানরিবা পুন্সিগি খুইং অদু নত্তে। মহাক্কী ইমোসননা শাগৎতুনা লৈরবা থম্মোয়গী ৱারোল কয়া মহাক্লা য়েক্লিবা লাইদুদা গৌতমদা হোংদোকচনবা? মদুদা মহাক্লা কৎশনবনি, নোকচবনি। মসিদগী হেনবা পুন্সিগী মতমদা লৈতে অদুমক্লা ইন্দুনা মঙোন্দা থবক তৌনবা ইন্টারভিয়ু য়াওরুবনা কয়ারক হাজজবদা য়াখিদ্রবদু। ইন্দুনা লৈরিবা সমস্যা অসি মহাক গৌতমদা লৈবসু মাগী মাম্মগী অনিংবগী মায়োক্তনি। মাম্মনা হায়রিবা অদুসু ইন্দুগী তুংগী পুন্সিগীদমকনি। মহাক্কী মাম্মনা ইন্দুবু য়োক্লকখিবনি। মাম্মনা হায়বদা তরাই তরাই কন্থোক্তুনা চৎখিবা ঙমগদরা অমরোমদা গৌতমগী হিংবগী ফীভম, সমাজসিদা মহাক্কী পোজিসননিং য়েংলুবদা ঙসিগী সমাজসিদা মীশক থোক্লা হিংবা ঙল্লবা মী অমা ওইদবা, মসিমক্লা গৌতম্মু থাদোক্তুনা চৎখিবা মদুসু ইন্দুনা ঙমদবা নুপী অমা ওইনা মশাগী ফীরেপ অমা লৌবা ঙমদ্রবা পোফম অমদা ইন্দু লৈরে। অসুম্না ইন্দু ডাইলেমা অমা মায়োক্লদুনা লৈরিঙৈ তাঞ্জাসিদা লাইরব, পোৎফমফম্বী কৈন্যাতোম্বীনা ইচংথৌনা গৌতম্মু পুরগা চৎখি। মঙোন্দা অনেম অৱাং, মতিক চাবা, চাদবা থোইনা থিরুবা লৈতে। গৌতম চঙক্লনা কৈন্যাতোম্বীগী মতুং ইনখি। মিদল ক্লাস মোরেল্লিটিনা য়ৈরবা ঙসিগী মীরোলগী নুপীশিংনা মানা পাম্বা লম্বী অমদা মনীংতম্না চৎচবা ঙল্লক্তবা, মদু ফংনবা হোৎনবদা অনেম অৱাংগী মীৎয়েং, মদুনা শাফু পীরকপদা ফংবা চৈনা ময়ামসিনা পুন্সিবু ৱাহনবা, মানা পাম্বা ফিরেপ অমা চপ চানা লেপ্পা ঙল্লক্তবা ডাইলেমা অমদা হাইদুনা লৈবা মদুনা পুন্সি চুপ্পগী সফর তৌখিবা য়াবা ফিভমদা লৈবা মোর্দন রুমেনগী ট্রেজিদি অমনি এম কে বীনোদিনীগী অশংবা নোংজাবী। লীলা অসিগী মরু ওইবা শক্তম ওইরিবী ইন্দুনা মশাগী ফিরেপ অমা ইচংথৌনা লৌবা ঙল্লক্তবসি মিদল ক্লাস মোরেল্লিটিগী পনখৈ মনুংদনি। ইন্দু অয়েকপা লাই অমগুম ওইরকখি, মহাক্কী থম্মোয়গী অনীংবা অপাম্বা অমত্তবু ইচং থৌনা পাঙথোকপা ঙল্লক্তে। চঙশিনবসু ঙমদবা অদুগা হন্দোকপসু ঙমদবা পোফম অমদা ইন্দু ঙসি লেপ্লি।

মতম্না পুরকপা সমাজগী অহোংবা মরক্তা হিংবা হায়বসিদা শেলগী দরকার লৈরকপা মেটরিয়েলিষ্ট ৱর্ল্ডদগী নাম্থোকপা হায়বসিদা অরুবা ওইরিবা হৌজিক্কী মীরোলগী সমস্যা অদুনি - অশংবা নোংজাবীদা উৎলিবসি। *অশংবা নোংজাবী* দা অইবনা হায়নিংলিবসি, ইন্দু মী ওইরবোই নীংলুবনি ওইরমদ্রে, মী অমা ওইনা মশাগী অনীংবা, অপাম্বা, মহাক মশাগী ৱাখল্লোনগী মতুং ইন্না ফোঙদোকচদুনা হীংবা ঙম্বগী থৌনা মাঙখ্রে। ইন্দু মীনি হায়বগী ৱানি অয়েকপা লাইগা করিসু খেন্নরমদে। গৌতমবু নুংশিখিবী কৈন্যাগী ৱাহৈ অমখক-

“কৈন্যা ঃ হাইমা! ইন্দু হায়বসিদি লাই অসিগী মমিং ওইরে, ঐদি নঙনা মমিং হেক হেক পনবদুদা লৈবোই নীংই।”

ডাইলোগ অসিদা অইবীনা হায়নীংলিবসি মিদল ক্লাস ফেমিলিদা চাউরক্লিবী ইন্দুগুম্বী ঙসিগী সমাজসিদা হিংলিবী লৈশাবীশিংদা থম্মোয়গী ওইবা মতম চুপ্পগী কোকপা নাইদনা লৈরগদবা সমস্যা অমখক মায়োক্লরি হায়বনি। ইন্দু মী অমগুম রিএক্ট তৌবা ঙমদরে। খম্বা থোইবী হাক্তক্তগী লৈরক্লবা আইদিএল লভ অমদা লৈগদবা থৌনা পূম্নমক ঙসিগী মতমগী ঈচেলসিগী ঈরৈলক্তা লুপখিবগুম তৌখ্রে।

**৩) নোংসিদা ঙানখিসনু,** অইবা ঃ ক্ষেত্রি সনাজাওবা

**শল্লপ্পা ৱারী ঃ**


নুপা মরি মঙা পূন্না লৈবা কার্টর অমদা লৈশাবী অমখক থুংলদুনা অহিং অমা লেক্লবা চঙলকই। লৈশাবী অদু পীক্নিক চৎলুবদা খোঙবু ময়ামগী বস অদুদগী শোয়দুনা চিৎথহৌবনি। মফমসিদা খঙন-চান্নবা মী অমত্তা লৈতে। কার্টর অদুদা লৈবা নুপা অমনা লৈশাবী অদু কপ্তুনা লৈরম্বা থেংনরুবদগী মাগী লৈফমদা অহিং অসি লৈরুরাও হায়না পুশিনবীরকপনি। লৈশাবী অদু কার্টর অদুদা চঙলক্লগা লৈরম্লিবা মীওইশিং অদু উবদা অসুক্কী মতিক অকিবা ফাওরম্মী। লৈরম্লিবা মীশিং অদুনা নুপীদুবুসু কিরম্মী। মখোয় অমনা অমবু থাজনখিদে।

“নুপী ঃ মপানগী তাইবঙবু নত্তে। ঐগী থম্মোয় মনুংদগী অকিবা কৌবা লাইদু মপান থোরক্লে। পুন্সিদা অহিংবগী মত্তেং অহিংবনা ওইনৈ। অদুবু মীৎকুপসিদা অহিংবা ঐনা অহিংবা নখোয়বু কিরিবসিবু করিগীনো? মসিবু হংবা য়াবা ৱাহং নৎত্রা?

অইবা ঃ হয়েং অমুক কমদৌবা ?

নুপী ঃ হয়েং হায়বা অমসু লৈরিকো।

তারিবা ঃ হয়েংনা হয়েংনিদনা। কনানা তম্বা ঙম্বগে? (নুপীদা) অদুগা নঙবু ৱা অমদি হংগে। নশকসু নমিংসু খঙদে। মরম চাদনা ঐখোয়না হংবসু ঙমদে। কিদৌরিবসিবো নঙবুরা ঐখোয়বুরা?”



ঙসিগী সমাজ অসিদা অফবা লৈতে, অমনা অমবু থাজদনে। দান তৌরকপা পাপ লংশিনবা থৌদৌ কয়াসু তত্তনা থোকই। লৈরম্লিবা নুপাশিংনসু নুপী অসি ঙসি মফম অসিদা লৈবসিদা করি ফত্তবা থৌদোক থোরকপা য়াবা হায়না খল্লি অদুগা নুপী অসিনসু লৈরম্লিবা নুপাশিংসিনা মঙোন্দা করি তৌরক্কদগে হায়বগী চিংনবনা মশা অসে লৈতাফম খঙদে। নুপাশিংদুনা মাবু মচল মচাগুম য়েংবীরক্কনি হায়বগী থাজবদু লৈতবনা মহাক অসুক্কী মতিক অকিবা ফাওই। অদুগা অমুকসু, লৈশাবী অমা মফম খঙদনা মাঙহৌবনি। হয়েং ময়ূম হনখিবদা লৈকায়না, সমাজনা করি হায়না হায়নগদবা মদুসু অচৌবা ৱাফম অমা ওইনা খন্নখি।

“লয়েকপা ঃ তুংদা হকচিন্না খঙনরকপা তারগসু অহৌবসিদগী শক তাল্লফম থোকই। অমরোমদবুদি মীওইবা অমনা মীওইবা অমবু কয়া য়াম্না খঙবা ঙমগদগে?

অপাবা ঃ মীৎকুপ অমত্তা থাদোল্লমদনা লৈমিন্নরিবা ঐখোয়-ইশেল ফাওবা খঙনদবা য়াম্না লৈরি।

তারিবা ঃ ৱাসি লুনা খন্নরবদি পঙলুদা লুশিনখিবনি। লাইহনবীয়ু। ইবেম্মা, ঐখোয়গী মাংদা ৱাফম অমা লৈরে। ইবেম্মা অমা, চৎনবী অমা।

অপাবা ঃ অমম্বা অহিংসিমা, নোংঙানবা হায়বা অমা।

অশৈবা ঃ ঐখোয়গী নাকন্দনা ঐখোয়গী মরুপ অমা।

লয়েকপা ঃ মশা পাখংনি।

অইবা ঃ হেরা ৱাফমদু অপান্ননা থঙজিনবীরে। ফীভম মতমদা অদুম খন্নবীয়ু কৈদৌবগে?

নুপী ঃ ফীভম মতমদা নৈনবা তারবদি ঐদনি মাঙজদৌবা (কপ্লকই) মীনসু তৌঙম্বীনি হায়নবা ইবুং ইপ্বানসু তাথী-তাওইনবীবা। মসিদা ঐগী ইরাল করিনো?

তারিবা ঃ লাল্লিবদি ফীভম মতমনি।

নুপী ঃ অদুবু অচুম্বসি থাজবীনবদি তাইবঙসিদা কনাসু লৈতে।”

মথক্কী সিক্যুন্স অসিদা ফোঙদোক্লিবসি ঙসি ঐখোয়গী সমাজগী ভেল্যু সিষ্টেমনা নাপচৈ থাদুনা শেমদুনা থমখ্রিবা মীৎয়েং অসি নুপা ময়ামগী মনাক্তা নুপী অমা লৈরম্লে। মহাক ওক্তবী শোইদনা ওইরমগনি। খুদোংথীবা অমদগী মহাক মফমদুদা থুংলবনি। অদুবু অচুম্বা ফনা হায়দুনসু ঐখোয়গী সোসাইটিনা মদু থাজরোই। হায়রিবা মীৎয়েং অসিনা ঐখোয়গী সমাজসিগী ৱাখল্লোন্দা চুদুনা লৈখ্রি অদুনা নুপা ময়াম অদু য়াম্না কন্না খন্ন-নৈনখি। তঙাইফদনা নুপী অদু মখোয়গী মরক্তগী অমনা লৌবা তারক্লবদি অরিবা পাখংনি মহাক্লা নুপী অদু লৌনবা ৱা হৌদোরকখি। নোং ঙানখিবদা করি করম্বা থৌদোক থোক্লবা য়াবা কনাসু হায়বা ঙমদে।

নুপী লৈশাবী অমখক খুদোংচাদবা ফীভম অমখক্লা মখোয়গী মনাক্তা অহিং অমখক থুংলবনি। সুপ্নগী অহিং অমখক লেনখিনবা হোৎনবা অসিদা অসুক য়াম্বা ৱাফম কয়া পুশিল্লক্লিবা অসি মখোয়না হিংলিবা সমাজ অদুগী চৎনরোলগী পনখৈ মনুংদা রিএক্ট তৌনবা হোৎনবদা চোংথোরকপা ৱা ঙাক্তনি। তম্বা ঙমদে ময়াম চঙলত্তুনা নুপী অমা নুপা ময়ামগী মনাক্তা লৈরম্লে ওক্তবীনি হায়না কৈন্যা কৎকনি হায়রক্লবদি। মতমদুদা মখোয়না ফনা অশেংবা ঙাঙলবসু মীয়াম্নদি থাজরোই। ওইরকপা য়াই নুপী অদুনা ময়ূম য়ৌখিবদা লৈকায়দুগী মীয়াম্না মহাক অতোপ্পা নুপা অমদা চেল্লুরগা হল্লকপনি হায়না পাউথোরকপা। ঙসি ঐখোয়গী সমাজসিদা নুপী অদুগী পর্সোনিলিটি শোকপা ৱাফম কয়া থোরকপা য়াই। অদুনা মরম ওইরগা মহাক্কী তুংগী পুন্সিদা অকাইবা কয়া লাকপা য়াই। অসুন্না নোংসিনা ঙানখিবদা অমদি ঙানখিদ্রিঙৈগী মীৎকুপসিদা তুংলমচৎকী শৈহৌ ওইরগদৌরিবা থৌদোক কয়া কনানসু তম্বা ঙমদে। নুপী অদুগী পুন্সিগী টর্নিংপোইন্ট অমা ওইখিবসু য়াই। অইবনা লীলা অসি নোংঙানদ্রিঙৈদা লোইশিনখি। নোংঙাল্লগা ওইরক্কদবা থৌদোকশিংদি অপাবশিংদা ইমেজিন তৌহল্লি। অপাবশিংগী ইমেজিনেসনগীদমক লংলা পীরম্বদি ঐখোয়গী সমাজ অসিদা খোঙফম মচেৎ অমত্তংবু শোইখিবদা থেংনবা য়াবা নুপীগী সমস্যা অদুনি। নুপানা নুপী ময়াম লৈবা যূম অমদা খুদোংচাদ্রে অহিং অমত্তা লেকচখিগে হায়না চঙলকপদা প্রোব্লেম করিসু লৈরোই। নুপা মশাগা প্রোব্লেম ওইরক্কদবা থবক তৌরুদ্রবদি করিসু অকাইবা লৈরোই। অদুবু নুপী ওইরবদি ইচুম চুমজরবসু ঐখোয়গী সমাজ অসিদা মখল কয়াদা নুপীবু পাউথোরকপা য়াবগী অকিবা লৈ।

ক্ষেত্রি সনাজাওবগী *নোংসিদা ঙানখিসনু* দা পীরিবা ‘সমাজগী চৎনবী’ লীলাগী করেক্টরশিংনা কিরিবা অদুগুম মৈতৈ সমাজদা হিংলিবা নুপী ঐখোয়সু অকিবা ফাওই। ফাওবদা নত্তে তশেংনা কি। ঐবু সমাজনা করি হায়রক্কদগে মীপূম খুদিংনা কিনৈ। নুমিদাং থেংনা চৎপদা, খজিত্তং লাপ্পা চৎপদা, নুপাশিংগা পুল্লগা করিগুম্বা থবক অমা তৌবদা অকিবা ফাওই সমাজনা করি হায়নগদগে। ঐগী অচুম্বা থম্মোয়, থৌনা লিংজেল পূন্নমক লৈদুনসু ঐ খোঙ থাংবদা য়াম্না ৱানা থাংই। অসিগুম্বা শাথীরবা সমাজ অমা মৈতৈ সমাজনা ওইদুনা লৈরিবা অসিগী মনুংদা নুপী অমনা থেংনবা য়াবা সমস্যা কয়ামুক অপাবশিংগী মশাগী ৱাখলদা থিহনবা লীলা অমনি *নোংসিদা ঙানখিসনু*। লীলা অসি লাইনিয়র প্লোট অমদা শাগৎপা লীলা নত্তে। নোংমা নুমিদাং অমখক্তা থোকপা থৌদোক অমদা করেক্টরশিংনা খন্নবা ৱাফম, সিচুয়েসন্দুদা মখোয়গী ৱাখল ফোঙদোকপা, সমাজগী মীৎয়েং মনুংদা অচম্বা থৌদোক মচা অমবু পাকথোক চাউথোকপা য়াবগী ফীভম অদু ৱারী শান্নদুনা উৎপনি ॥

# মহারাজ নরসিংহগী তালোয়-অপানবগী ৱাহেংঙা

## বি. দিমা দেবী

**মহারাজ** নরসিংহ (কুমজা ১৮৪৪-৫০), মৈতৈ লৈপাক মীয়াম্না ‘ঐখোয়গী ইনিংথৌ’ হায়না নুংশিনা কোলোয়নখিবা নিংথৌ অসিগী তালোয় অপানবী অহল (লৈমরেন/মহারানীগী হেক ঙমথং ওইবী লৈমা) ‘ৱাহেংঙা’, হায়বিসিগী অশেংবা অচুম্বা মিংলেন্দি ৱাহেংবম নিঙোল/চনু রসনি/রসমনি হায়না কৌই। লৈমা অপানবী অসি পীক্লিঙৈ, অঙাং ওইরিঙৈগী মতমদা ৱাহেংবমগী অঙাংনি হায়দুনা ‘ৱাহেংবম অঙাং (ৱাহেংঙা)’ হায়না খ্বাইনা খঙনবা কৌনবা হায়নবগী শমজিল্লক্তুনা অমসুং থওইরক্তুনা ৱাহেংঙা হায়না কৌনরকপা/শীজিন্নরকপদগী মিংথোলসিনা খ্বাইনা খঙনবা অথোইবা মিং ওইনা লৈরকখি/চৎনরকখি।

**ৱারী পরিংগী ৱারোল**

মৈতৈগী মবুংঙো নরসিংহবু পোকপীবা মৈদিংঙু নোংচুপ - লমগাইঙম্বা (ভদ্রসিং নিংথৌ খাবা : কুমজা ১৮২৫ গী শজিবু ২৪ দগী ইঙাগী ২৫ নি ফাওবা) না ৱাংখৈরাকপদগী খ্বাইরাকপা ওইরিঙৈগী মতমদা মারজিৎ মহারাজ (কুমজা ১৮১৩-১৯) গী মীচঙদা লেপ্প্লুবদগী চৌরজিৎ মহারাজ (কুমজা ১৮০৩-১৩) না পানবা লৈপাক্তা লৈবা য়াদবদগী কুমজা ১৮০৯ গী অঙনবা শরুক্তগী কছারদা ৱাংঙমলোন ডিমাসা লৈমা ইন্দুপ্রভা (মৈদিংঙু মধুচন্দ্র:কুমজা ১৮০০-০৩) গী মজাইবেম্মা, কছারী নিংথৌ কৃষ্ণচন্দ্রগী মহারানি) গী লৈপাক্তা চঙজফম লৌদুনা লৈখি (চৈঃ কুঃ ১৯৮৯, ২০৫-০৬)। মতমসিদা চহী ১৭/১৮ দা ঙাইরিবা নরসিংহসু মপাইবুংঙোগা লোয়নদুনা লৈরম্মী। নরসিংহ হায়রিবা মতমসিদা মহাক্কী তালোয় অহল, খয়োইরোন হাওবম চনু লীক্লাইরোকপীসিগা লৈমিন্নরে।

লাইবক্কী নোংদমখোনবু কনানা তাবা য়াওখ্রবগে, নোংদম্বনা তল্লকপবু ককপা ঙম্বা কনা লৈবগে? অদুনা নহা ওইরিবা নরসিংহবু বরাক তুরেলগী তোর্ব্বান্দা খোয়দাবী অমা অমুক থেংনরে অমসুং মহাকসি অতৈ কনাসু নত্তে য়োইরুমলোন ৱাহেংঙাসিনি। খোয়জঙলুরবনিনা নুংশিরুবনিনা “লৌগনি, লৈনসি” হায়নরে, মশা-মশা য়ানরে, লৌনরে। অদুবু নুজা মহাকথংগী মপাইবুংঙোনা নরসিংহবু তুমন লৌই হায়দুনা ইন্থোক্লে, মপাইবুংঙোগী মনাক্তা নিংথেমচা কোল্লুপ্তা লৈহন্দ্রে। লীংজেন খাবা নুপানি নরসিংহ, চঙঙুরবদি হল্লনু পায়রুবদি থারনু হায়বা লীন্দা অদুনি। মরম অদুনা ৱাহেংঙাবু পুদুনা কছারগী মচী অমদা অরাম মচা মীচম অমগুম হিংননবগী লানফম মায়োক য়ারি। লাইর’ চুদৎনরবা অমগুম, মীঙোন্দা হায়জরুগদবগী শরুক, নীরুগদবগী শরুক নোংমগী অফং অফংবা, থোকউ থোকউবা চাদুনা হিংলি। অদুবু মরৈপাক্কী, নিংথৌ মচীন মনাওশিংগী পাউ লৌবদি লেপ্তে; লৌখি, হংখি, তাখি অমসুং পূম্নমক খঙজিল্লগা পূক্নিংদা থমদুনা মতম তাঞ্জা অমদি খুদোংচাবা ঙাইখি।

নিংথেমতোন মারজিৎনা অৱা (মর্ম্মা/ম্যান্মার) গী মতেংনা ময়াম্লুং নিংথেমতোন চৌরজিৎপু তাম্থোক্তুনা মৈত্রবাক্কী নিংথৌ হেক ওইবগা নুমিৎ তরেৎনিখক্তগী মতুংদা মৈতৈ নিংথৌ ফম্বালদা হক লৈবা (নিংথৌ ওইবা য়াবা) মৈতৈ নিংথৌ মচাশিংবু হাৎননবা শরৌ শীল্লকখি অমসুং মসিদা খ্বাইদগী ইহান হান্না খূৎমাখিবসি মনাও ইবুংঙো শামু ফাবা (রাজা গম্ভীরসিংহ (কুমজা ১৮২৫-৩২) হায়বসি নিংথৌ মচাসিগী ময়ূম ইঙ্খোল অমসুং নুপী মপামগী লমদম চীংঙামখাদা কুমজা ১৭৩৬ কী কালেনগী ৩ নি পানবা থাংজদা মী ২৪ হাত্তুনা (মথক্কীসিদা, ২১১) অধিবাস/পুর্ব্বরঙ্গ হৌরিবসিনি। মসিদা শামুফাবা/গম্ভীরসিংহদি কাঙঙবা ক্ষেত্রি সিংহনা কল্লগা কছার তান্না চেলহনখি অমসুং অতৈ নিংথৌমচাশিং অয়াম্বসু মৈত্রবাক থাদোক্তুনা চেন্নখি। হায়রিবা পাউ অসিদসু নত্তনা মৈদিংঙু চৌরজিৎনা কছারদা চেল্লক্লগা কছার নিংথৌ কৃষ্ণচন্দ্রদা চঙজফম নীরুবদা পীরক্তবদগী বৃটিশতা চঙজনবা হোৎনবা, কছারগী য়েক্লবা জয়ন্টিয়া চীংলৈপাক্তা রাম সিংহ অমসুং মহাক্কী মচানুপা তুলারামগা কুমজা ১৮১৪ দগী তিন্নখিবনচিংবসু নরসিংহনা খোমজিল্লম্মী।

অমরোমদা কুমজা ১৮১৪ গী মে থাদগী কছারগী অতোপ্পা মচী (গুমরা, নোংচুপ কছারদা ওইরম্বা য়াই) অমদা লৈবগী পাউ, লোয়ননা কুমজা ১৮১৭ কী দিসেম্বর থাদগী কছার লৈপাক্কী লম তঙ্খায় অমা কছার নিংথৌ গোবিন্দচন্দ্র (কুমজা ১৮১৩-৩০) দগী ফংখিবা অমসুং গম্ভীরসিংহগা চুংশিন্নদুনা কছার লৈপাক তঙ্খায় পানমিন্নখিবগী পাউসু ফংলম্মী। হায়রিবা মতমসিদগী হৌনা গম্ভীর সিংহনা মহাক্কী মখূৎ চাবা, থোং মান্নগদবা, পুকচেল খোয়জেল তিন্ননা পুকচেল শেংগদবা অমসুং কথোক্লবা মরুপ/খোঙলোয় অমা থিরম্মী। অদুবু কুমজা ১৮১৯ দা মৈত্রবাক কায়দুনা মারজিৎ মহারাজসু ময়াম্লুং চৌরজিৎতা চঙজদুনা লম নীজবদগী পীবিদুনা কুমজা ১৮২০ দগী ১৮২৩ ফাওবদি কছাগী লমদমদা মনীং তম্বা মৈতৈ নিংথৌমচা অহুম - চৌরজিৎ, মারজিৎ অমসুং গম্ভীরসিংহগী মতোমতা লৈঙাকচবা লৈপাক মচা অহুমখক লৈরম্মী।

**গম্ভীরসিংহ - নরসিংহ উনবা অমসুং ৱাশক্লবদা ৱাহেংঙানা লৌখিবা শক্তম অমসুং থৌদাং**

কুমজা ১৮২৩ দা বৃটিশকী মতেংনা কছারগী নিংথৌ গোবিন্দচন্দ্রনা মহাক্কী মরৈপাক্তা য়েৎলম্বা মৈতৈ নিংথৌমচাশিংবু সিলেটতা পুথোকখিদুনা মরৈপাক অমুক হঞ্জিনখ্রবদা মৈতৈ নিংথৌ মচা অহুমদুদগী অমনা পূক্নিং হকচাং লুপ্না মৈত্রবাকপু য়েক্লবগী মখূৎতা হন্দোক্লবা ৱাখল তৌরকখি। মহাক্লা হীরম পূম্নমক্তা মাগী মতেং পাঙবা ঙমগদবা শা-লান, থাঙ-তাদসু মমিং লৈবা, মরীন লৈবা মীশক থিরকপদা নীংশিংলকখি - থাঙ হৈবদা নরসিংহ, তা হৈবদা গম্ভীরসিংহ হায়না লৈপাক্লা হায়নবদু। তা হৈবা মহাক মশাদি লৈরে, থাঙ হৈবা নরসিংহদি কদায়দা লৈখ্রে হায়না থিগৎলকখি । থিরুবদগী খঙলে, মহাক কছারগী বরাক খোংবানগী মফম অমদা ময়ূম লিংদুনা মীচমগুম লৈরি। থৌনা লৈবা গম্ভীরসিংহনা মনাই-মশল কনাসু লোয়নরক্তুনা নরসিংহগী যূমদা নরসিংহবু থিবা অমসুং উনবা লাক্লম্মী।

নুমিৎসিদা গম্ভীরসিংহনা থুংলবা মতমসিদা মনাও ইবুংঙো নরসিংহদি মহাক্কী যূমদুগী মনীংদা লৈবা খোং/খোংবান অমদগী ঙা ফাননবা মী উহন-খঙহন্দনা ইশিৎতুনা লৈরম্মী। গম্ভীরসিংহনা শুম্মাংদা লেপ্তুনা পাউহংলকপা মতমদা মনাও ইবেম্মা ৱাহেংঙানা মতিক চাবা ইকায় খুম্নবা উৎতুনা ফিরুক-ফিরাৎ খুল্লগা, “ননাও ইবুংঙো চুম্না অসুম লেঙথোকখিবনি; পঙলাপ লাপ্পল্লোয় ননাই ঐহাক কৌজরুগে, ঙাইহাক্তং লেঙশীনবীরম্মু” হায়না হঙ্গত্তুনা খুদা/ফিদা লৌথোক্লুদুনা থারম্লগা কোম্থোঙলোমদা থোকখিরম্মী। ফিদা লৌথোকপা চঙবদুদা মবুংঙোগী চৎন-থোক্লবগী ফিরোল শেগাদা য়েপ্লক্তুনা পুথোল্লক্লগা কোয়না মবুংঙোগী মনাক য়ৌরক্লগা ফিরোলদু কৎলগা ৱাফম পূম্নমক তল্লে। নরসিংহনা হকচাং শেংদোক চামথোল্লগা অফবা ফিরোলদু হোংদোক্তুনা কোয়থোক্লুবা শাদুনা কোম্থোঙলোমদগী চঙলক্তুনা ময়াম্লুংগা উনরে। অদুগা ৱাহেংঙানা মবুংঙোনা হোংদোক্লম্বা অমোৎপা অমসুং ঙাফা ঙাহুম্বদা শেৎনবশিংদু শেগা য়েপ্তুনা অমুক ফিনুংদা পুরক্লগা ইমুংদা থমখি। অসুম্না লৌশিং লৈবী, থৌরাং হৈবী ৱাহেংঙাসিনা নিংথৌমচা ওইবগী ঈজৎ ঙাক্লবা অমসুং লৈত-লায়রা খঙহন-উহন্দনবা লাক্লবসিনা মতুং তারকপা মচিন মনাও অনীসিগী হিংবদা চঙদবা য়াদবা অমসুং নিংথৌ মচাগী মগুন ঙাক্লবা শেৎপা চাবা, লৈত-লায়রগী অৱাৎ অপা পূম্নমক ৱাত্তনবগী পোৎলুম অসি ৱাহেংঙানা পুরম্মী। অসিগুম্বা পোৎলুমসি পুননবা হোৎনবদা নৌজরিবী মহাক্লা লাল্লোনপোৎ কোক্তা লুথোং পুদুনা কছারগী খৈদেন্দা অমসুং লমজাও সোরোক্তা চৎলগা ললোন ইতিক কন্না তৌদুনা ইকায় ইকি পূম্নমক থাদোক হুন্দোক্তুনা মচিন মনাও অনীগী তুংদা লাক্কদৌরিবা মরৈবাক কন্নবগী লাঞ্জংদা মথ্বায় হাপখি।

নুমিৎসিদা গম্ভীরসিংহনা পুকচেল পুকচেল তিংনা মমা লৈবাক্কী ওইরিবা ফীভম অমসুং মৈতৈ নিংথৌ মচাশিংগী মথৌনা মরীংজেল পূম্নমক অৱাগী খোঙপাক্লা নেৎখায়রিবদুগী মরমদা হৌদোল্লককখি। অথৌবগা অথৌবগনা করি ৱারী শাগদবগে, মপুরোইবা নীংবী থৌনা ফবীনা থৌনাফবা মপুরোইববু শৌগৎপা অমসুং অথৌবশিংবু য়োকখৎপা হায়বসি লানগী ইতিহাসকী অয়াম্বা লামায়দা য়াওরকপনি। অদুগা তাঞ্জা খঙবী, হৌন লোনচৎ মায়পুনবী ৱাহেংঙানা মচিন মনাও ৱারী শান্নরিঙৈদা লৈজবা খরনা খোঙ্গৎখিদুনা মতৈ ইবুংঙো অমসুং মপুরোইববু লুক হাবীবা য়ারগনি হায়দুনা চাক তাল্লরে। মচিন মনাও অনীসু অমুক কোয়নরুবা তৌদনা চাক্লুক মনাক্তা ফম্লরে। মতমদুদা গম্ভীরসিংহনা মখূৎ শেংদোল্লগা চাক চখোম অমা তোত্তুনা মখূত্তা পায়রগা, “ইয়াম্বগী ইবুংঙো নর, ঙসি নয়াম্লুংনা ইল্লিবা চাক চখোম অসি চারগা কল্লবা ইনাওগী পাম্বোমদো য়েক্লবগী মঙক ককপদা চোকথবা লৈতবা ওইরসনু, মৈতৈ লৈমা ইমানা ইনবীবনি খন্না চাওকো” হায়না নরসিংহগী মচিন্দা ইল্লকখি। হায়রিবা থৌদৌ অসিনা মমা লৈপাক নীংলবা, অথৌবনা অথৌবদা থাজবা থল্লবা নরসিংহগী থৱায় হকচাংবু মমল য়াওদনা ময়াম্লুং গম্ভীরসিংহগী মফম কথোকহনখি। অথৌবা-অথৌবীশিংগীদি মমা লৈপাক্কীদমক্তা করি তৌনীংঙাই লৈরি; থৱায় হকচাং কথোকপা নত্তনা, মরমদি মখোয়না কথোল্লিবা থৱায় হকচাংদুগী মমল ওইনা অমুক হন্না মমা লৈপাক্তুদা পোকচরকপা ফংনবনি অমসুং মমা লৈপাক্তুগী মনীং তম্বা লৈননবগীদমক্তনি।

চাক ঈশিং চাবা লোইরবা মতুংদা গম্ভীরসিংহ-নরসিংহনা মমা লৈপাকপু পাম্বে অমা তৌদুনা মতম পূম্নমক্কী মৈতৈগী য়েক্লবা অৱাশিংগী মখূৎতগী হন্দোক্লবা অচেৎপা ৱাশক শকখ্রে । হায়রিবা ৱাশক্তু অথৌবী ৱাহোংঙা-রসনিসু মাগী মথৌদাং ওইনা মচিন মনাওদা ঙাচেৎ-থুমচেৎকী, ফিরোয়-ফিঙামগী, চাবা-থকপগী অৱাবা মচেৎ অমত্তা উহল্লোয়-লৈহল্লোয় হায়না মতোমতমক ৱাশকচখিবগুম তৌখ্রে। নুপীচা ওইবীগী থম্মোয়দা অসুমক কনবা পুকচেল থম্বীসিদি ৱাহেংঙা মশামক অমা অমসুং মহাক্কী মপুরোইবা অমা খঙলমগনি অদুগা খঙবা য়াবা অতোপ্পা মীশক অমা লৈবা তারবদি মদু তুংলমচৎকী মৈতৈ নিংথৌ গম্ভীরসিংহনি।

মরৈবাক নীংবা মচিন মনাও অনীগী থবক হৌখ্রে, কুমজা ১৮২৪ গী জান্যুৱারী-ফেব্রুৱারী থাদা অৱানা কছার লৈপাক্তা মায়কৈ অহুমদগী লান্দাশিল্লকপদগী ইন্দিয়ন বৃটিশ গভর্ণমেন্টনা চহীসিগী মার্চ তারিখ ৫ দা এঙ্গলো-বর্মিজ ৱার, (কুমজা ১৮২৪-২৬) লাউথোকখিরম্মী। অমসুং মদুনা মচিন মনাও অনীগী মণিপুর হন্দোক্লবগী পাম্বে ফংখিরম্মী। মচিন মনাওনা বৃটিশ গভর্ণমেন্টনা চাদিং পূম্নমক হুনবা/পুবা মৈতৈ-লাম্মী, খোঙমী ৫০০ অমসুং শগোল লাম্মী ৫০ না শাবা রাজা গম্ভীরসিংহ লেভী (মতুংদা লাম্মী মশীং হেনগৎলগা মণিপুর লেভী হায়না মমিং ওল্লকখি) কৌবা অমা বৃটিশকী তেংবাংনা/মতেংনা শেমগৎতুনা মণিপুর হন্দোক্লবগী লাঞ্জাও চঙশিল্লম্মী। হায়রিবা গম্ভীরসিংহ-নরসিংহনা লুচিংবা লেভীসিনা কুমজা ১৮২৫ গী জুন ১০ দা অৱাশিংগী খুবাম্লুংদগী মণিপুরবু হন্দোকখি॥

**ৱাহেংঙাবু লৈপাক নিংথৌনা মতিক চানা ইকায় খুম্নবা**

মৈত্রবাক মণিপুরনা হায়রিবা নুমিৎসিদগী অমুক হন্না মনীং তম্না পাল্লবা অমসুং কুমজা ১৮২৬, ফেব্রুৱারি ২৪ দা মণিপুর মনীং তম্বা নিংথৌ পানবা এসিয়াটিক কন্ত্রি অমনি হায়না ইন্টরনেসনেল লেভেলদা শকখঙখ্রবা মতুংসিদসু রাজা গম্ভীরসিংহনা মনাও ইবেম্মা ৱাহেংঙাবু মৈত্রবাক্কী নীংতম লানফমদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবী ওইনা অদুমক ইকায় খুম্নখি। হায়রিবা ৱাফমসি খুদম চাংদমদি ঃ-

কুমজা ১৮২৭ কী থৱান ২৫ নি (ওগষ্টকী অরোয়বা থাখায়), ইরাই নুমিত্তা পানা মরিনা লাংথবান্দা হিয়াং তান্নবা (মসিনা গম্ভীরসিংহ সনা হাক্তক্কী অহানবা অমসুং অকোনবা হিয়াং কুম্মৈনি) য়েংনবা শ্রীযুক্ত মহারাজ গম্ভীরসিংহনা চৎপদা (চৈ: কু: ১৯৮৯, ২৬০ লৈমরেননচিংবী) লৈমশিংসু কুম্মৈ য়েংনবা মহারাজগী তুংইল্লক্লম্মী। হিয়াং তানগদৌরিবা লৈশাং হিদেনগী খোং মরীনগী নাকল অনীমক্তা, নাকল অমদা অঙম অথৌ, অচৌ অশাংনচিংবা নুপাগী কাঙলুপকী অদুগা নাকল অমদনা মহারানী, অপানবী, লৈমখুবী (মতমসিদা ৱাহেংঙা অপানবী ওইদ্রি, অপানবীদি, মৈস্না কুমুদিনীনি), অঙম অথৌগী তালোয়শিংনচিংবা নুপীগী কাঙলুপকী, মাগী মাগী মফম ফমথোনগী ফিদা অমসুং পোৎথা-চৈথা (খুদৈশেল, কাওশেন অসিনচিংবা) পূম্নমক থাদুনা মা-মাগী ফিদা-ফিদা হিয়াঙ কুম্মৈ য়েংননবা ঙাইনরম্মী/লৈনরম্মী ॥

*মথং-মথং*

*(কর্সি : হেরিটেজ অনীশুবা মশীং )*